## কোরোনাদগী ঙাকথোক্লবা কোটিং পুথোকখ্রে



বেঙ্গলুরু, এপ্রিল ০৮ (এজেন্সি) :
বেঙ্গলুরুগী জৱাহরলাল নেহরু সেন্টর ফোর এদভান্স সাইন্টিফিক রিছর্সতা কোরোনা অমদি ইনফ্লুএঞ্জা শন্দোরকপা চামদা চান্মা থিংবা অমদি হাৎপা ঙম্বা হীদাক মহী অমা পুথোকখ্রে। হায়রিবা হীদাক মহী অসি মাক্স, গাউন, গ্লোবস অমদি ফেস শিল্ডদা কোটিং তৌদুনা শীজিন্নগদবনি। রিছর্স সেন্টর অসিগী মরুওইবা থৌপুবা প্রো. জয়ন্ত হলদরনা ফোঙদোকখিবদা হীদাক মহী অসি ঈশিং, ইথেনোল, মেথেনোল অমসুং ক্লোরোফোর্মদা তিনবা ঙম্মী। ফি, প্লাষ্টিক, পি বি সী, পোলিয়ুরেথেন অমসুং পোলিষ্টিরিননা শাবা পোৎশকশিং শীজিন্নদ্রিঙৈ মমাংদা অমুক্তং কোটিং তৌহৌগদবনি। টেষ্ট তৌবা মতমদা কোটিং তৌরবা পোৎলমশিং অসিদা মিনিট ৩০গী মনুংদা ভাইরস অসি শিবা থেংনখি। লোয়ননা হীদাক অসি টেষ্ট তৌবা মতমদা ভেক্টেরিয়া অমসুং ফঙ্গস ফাওবা হাৎতোকপা ঙমখি হায়রি।

## লোকদাওন লৌথোকপদগী রুহানদগী মী চৎপা য়াহনখ্রে



রুহান, এপ্রিল ০৮ (এজেন্সি) :
নোভেল কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবগীদমক নুমিৎ ৭৬ নিগী মমাংদা চাইনাগী সেন্ট্রেল সিটি রুহানদা লোকদাওন তৌখিবা মতুং অহানবা ওইনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা সিটি অসিদা লৈরিবা মীওইশিং মফম অসি থাদোক্তুনা চৎপা য়াহনখ্রে।

অথিংবশিং হাথু-হাথু লৌথোকপা তারবদি অনীশুবা তাঙ্কক্কী ইনফেক্সনগী ফিভম অমা লাকপা য়াই হায়বগী অকিবা লৈরিঙৈদা লোকদাওন লৌথোক্তুনা সিটি অসিগী মীশিংবু মফম অসি থাদোক্তুনা চৎপা য়াহনখিবনি। হৌখিবা চহীগী অথেংবা শরুক্তা য়াম্না লৌনগল্লবা ফ্লুগুম্বগী শাথিরবা ভাইরস অসি অহানবা ওইনা দিটেক্ট তৌবা হৌখিবা মতুং চহী অসিগী জন্যুৱারি ২৩ দা চাইনানা মীওই মিলিয়ন ১১ লৈবা সিটি অসি সীল তৌশিনখিবনি।

সিটি অসিদগী পেসেঞ্জরশিং পুথোক্কদবা অহানবা ট্রেন অদু নোংয়াই মতুং মিনিট ৫০ চৎপা মতমদা সিটি অসি থাদোকখি অমসুং মতম অসিমক্তদা সিটি অসিদগী অতৈ মফমশিং য়ৌগদবা হায়ৰেশিংসু হাংবা হৌখি। ঙসিদি ঐহাক য়ুমদা হনবা য়াবা অসিদা য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই হায়না মাইগ্রেন্ট ৱর্কর লিয়ু সিয়াওমিন কৌবী নুপী অমনা রুহানগী হানকৌ রেলৱে ষ্টেসন্দা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

মহাক মফম অদুদগী সিয়াংয়াং সিটি য়ৌগদবনি। চাইনাগী ত্বিটরগা মান্নবা ৱৈবো প্লেটফোমদা রুহানদগী লোকদাওন লৌথোক্লে হায়বা টোপিক অসিনা খ্বাইদগী মরু ওইবা ট্রেন্দিং টোপিক ওইরকখি। টোপিক অসিগা মরী লৈনবা রুহানবু অমুক হন্না তরাম্না ওক্লি হায়বা কমেন্ট কয়াসু থাগৎনখি।

ষ্টেট ব্রোদকাষ্টর সী সী টি ভিনা রেলৱে ওথোরিটিগী ৱারোল পল্লদুনা ফোঙদোকখিবদা, টিকেট য়োনবগী ফিভমদা য়েংলগা সিটি অসিগী মীওই ৫৫,০০০ য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ট্রেন তোংদুনা মফম অসি থাদোক্কনি।

অমরোমদা, রুহানদা লৈরিবা মীয়ামদা হৌজিকসু মখা তানা য়াম্না তঙাইফদবগী নৎত্রবদি মখোয়গী কৈরোয়-লৈকাইশিং অমদি সিটি অসি থাদোক্তুনা নৎত্রগা য়ারবদি সিটি অসিগী প্রোভিন্স ওইরিবা হুবৈ থাদোক্তুনা চত্তনবা চেকশিন্না খঙহল্লি হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা হেল্থ ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি। এপ্রিল ৭ তা চাইনাদা লাইওং উত্তবা অনৌবা কেস ১৩৭ রিপোর্ট তৌখিবগা লোয়ননা মীওই কয়া হৌজিকসু মখা তানা লায়না অসি চঙলক্কদ্রা হায়না কিন্নরিবনি। লাইওং উত্তবা পেসেন্টশিংগী মশিং তপ্ন-তপ্না হেনগৎলক্লিবা অসিদা ঐঙোন্দা অকিবা পোকই হায়না রুহানদগী ট্রেন তোংদুনা চৎনবা হোৎনরিবা মীওই অমনা ফোঙদোকখি।

## চাইনাগী য়েংলগা থবক তৌই, ৱা ঙাঙই হায়বা ট্রম্পকী ৱাফম দৱ্লিয়ু ঐচ ওনা য়াখিদ্রে



জিনিভা, এপ্রিল ০৮ (এজেন্সি) :
ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দৱ্লিয়ু ঐচ ও)গী ওফিসলশিংনা বোদি অসি চাইনাবু শৌগত্তুনা থবক তৌই নৎত্রগা ৱা ঙাঙই হায়বা ৱাফম য়ুমশকৈশা নুমিত্তা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে অমসুং কোরোনাভাইরস পান্দেমিক্কী শাথিরবা তাঙ্কক অসিদা ফন্দ কক্কনি হায়বা ৱাফম য়াম্না মতম চাদে হায়খ্রে।

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ট্রম্পনা মালেমগী বোদি অসিদা য়ু এসনা পীরম্বা ফন্দশিং ফাজিল্লগনি হায়না ফোঙদোকখিবা মতুংদা দৱ্লিয়ু ঐচ ওগী ওফিসলশিংনা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

জিনিভাদা বেজ তৌবা মালেমগী বোদি অসিগী খ্বাইদগী চাওবা দোনর য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ওইরিবনি। নোভেল কোরোনাভাইরস লাইচৎ মনুংদা মালেমগী ওইবা ওর্গনাইজেসন অসিনা ফত্তবা পাউতাক কয়া ইশ্যু তৌখি হায়না ট্রম্পনা মরাল শীখি।

কুমজা ২০১৯ দা দৱ্লিয়ু ঐচ ওদা য়ু এসনা পীবা কন্ট্রিব্যুসন দোলর মিলিয়ন ৪০০ হেনখি। মসি অনীশুবা খ্বাইদগী চাওবা মেম্বর ষ্টেটকী কন্ট্রিব্যুসনদগী শরুক অনীরোমগী চাংনি। অমরোমদা, চাইনাগী কন্ট্রিব্যুসন্না কুমজা ২০১৯ দা দোলর মিলিয়ন ৪৪ ওইখি।

দৱ্লিয়ু ঐচ ওগী দিরেক্টর-জেনরেলগী সিনিয়র এদভাইজর ডা. ব্রুস এলৱার্দনা য়ু এন এজেন্সি অসিগা চাইনাগা লৈনরিবা মরী শৌগৎলদুনা রুহানদগী লাইচৎ অসি শন্দোকপা হৌখিবনা বৈজিংগী ওথোরিটিশিংগা থবক তৌমিন্নবা চঙই হায়খি।

## ‘আই এম এফতা লোন পীনবা হায়জবদা য়ু এসনা ভিটো তৌবা য়ারোই’



টেহরান, এপ্রিল ০৮ (এজেন্সি) :
নোভেল কোরোনাভাইরস থেংন্নবগীদমক্তা ইরান্না ইন্টরনেসনল মনিটরি ফন্দ (আই এম এফ) তা য়ু এস দোলর বিলিয়নগী লোনগী শেনফম অমা পীবিনবা হায়জবদা য়ু এসনা থিংবা ঙম্লোই হায়না ইরানিয়ন ভাইস প্রসিদেন্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ইরানগী ইকনমিক এফেয়রস পায়রিবা ভাইস প্রসিদেন্ট মোহমদ নহাভন্দিয়ননা হায়খি মদুদি, আই এম এফকী লৈবাক অমত্তনা অসুম্না লোন এপ্লাই তৌবদা ভিটো তৌবগী রাইট লৈফম থোক্তে। লোন পীনবা হায়জবশিং য়েংশিনবা অমসুং এগ্রুভ তৌবদা লৈরিবা আই এম এফকী পোলিসি ফজগদবনি। মেম্বরশিংগী ৱাফমশিং নীংথিনা য়েংশিনফম থোকই হায়না নহাভন্দিয়নগী ৱারোল পল্লদুনা সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

ইরান্না লোন পীনবা হায়জরিবসি মালেমগী লৈবাক কয়ানা শৌগৎলি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি মদুদি, মালেম শীন-থুংনা লায়না-লাইচৎ শন্দোরকপগী ফিভম অমা ঐখোয়না মায়োক্ন রক্লিবা অসিদা আই এম এফকী মেম্বরশিংনা অমগা-অমগা ৱাখল তান্নবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই। ইরানদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ থেংননবা সেন্ট্রেল বেঙ্ক ওফ ইরান্না আই এম এফতা হৌখিবা মার্চ ১২ দা য়ু এস দোলর বিলিয়ন ৫ গী লোনগী শেনফম পীবিনবা হায়জখিবনি।

আই এম এফনা ইরানদা লোন পীবদা হন্দক্তা য়ু এসনা অথিংবা পীখিবসি মীওইবা খুন্নাইগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইমগা মান্নে হায়না হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা ইরানগী সুপ্রিম নেসনল সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী সেক্রেটরি অলি সমখানিনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর মোহমদ জাবদ জরিফনা য়ু এস গভর্নমেন্টতা ইরানগী ওইল এক্সপোর্টশিংদা থল্লিবা অথিংবশিং লৌথোক্নবা তকশিনখ্রে। ইরান অসি হ্যুমেন অমদি নেচরেল রিসোর্সশিং মরাং কায়না লৈবা লৈবাক্নি। ঐখোয়না য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ট্রম্পতগী তেংবাং লৌনিংঙাই ওইদে হায়না জরিফনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ত্বিটরদা ফোঙদোকখি। ইরান্দা কোরোনাভাইরসকী কেস হেনগৎলক্লিঙৈ চৈরক্তা ট্রম্পকী মায়কৈদগী লৈবাক অসিদা মতেং পাংগে হায়না ফোঙদোকখিবা মতুংদা জরিফনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

## শ্রীলঙ্কাদা কোভিদ-১৯ থেংনবদা লীংজেল মান্নবা আপিল তৌখ্রে



কলম্বো, এপ্রিল ০৮ (এজেন্সি) :
হৌজিক ফাওবদা শ্রীলঙ্কাদা মীওই ১৮০ হেন্না পোজিটিভ ওইরবা কোভিদ-১৯ পান্দেমিক থেংননবা গভর্নমেন্টনা হোৎনরিবা থবকশিংদা কোওপরেসন পীনবা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর মহিন্দা রাজাপাক্সানা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা পোলিটিকেল পার্টিশিং অমসুং মীয়ামদা আপিল তৌখ্রে।

ষ্টেটমেন্ট অমদা রাজাপক্সানা হায়খি মদুদি, অহানবা পেসেন্ট দিটেক্ট তৌখিবা মতুংদা গভর্নমেন্টনা অঙাংশিং অমদি সিটিজন খুদিংমক ভাইরস অসিদগী ঙাকথোক্লবা থবক-থৌরাং খুদিংমক পায়খৎখিবগা লোয়ননা শ্রীলঙ্কানা এসিয়াগী লৈবাকশিংগী মনুংদগী ইসিএন্সিয়ল সর্ভিসশিংগী ওইবা স্পেসল প্রসিদেন্সিয়ল টাস্ক ফোর্স অমা লিংবা অহানবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমা ওইবা ঙমখি। মসিনা মীয়ামদা শাথিরবা লায়না লাইচৎ মরক অসিদা চান-থক্নবা পোৎলমশিং অমসুং অতৈ ইসিএন্সিয়ল সর্ভিসশিং শোয়দনা ফংহনবা ঙমখি।

রাজাপক্সানা মখা তানা হায়খি মদুদি, ইথৎ লৈবাক অসিদা কার্ফিয়ু থম্বা হৌখিবদগী মীওই মিলিয়ন কয়াদা শেল-থুমগী রিলিফসু ফংহনখি। গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী ঈশিং অমসুং ইলেক্ট্রিসিটিগুম্বা ইসিএন্সিয়লশিং লেপ্তুনা মখা তানা ফংহনখিগনি।

লৈবাক অসিগী হেল্থ ৱর্করশিংনা তৌরিবা থবকশিংবু শীংথাবগা লোয়ননা রাজাপক্সানা হায়খি, দোক্তরশিং, নর্সশিং অমসুং মেদিকেল প্রোফেস্নেল খুদিংমক্না পান্দেমিক অসি থেংনবদা কখোকপগা লোয়ননা থবক তৌই। লৈবাক অসিগী ট্রাই ফোসশিংসু মখোয়গী বরেকশিং থাদোক্তুনা শাথিরবা ভাইরস অসি থেংনবদা কখোকপগা লোয়ননা থবক তৌরি। ঐখোয়গী নর্সিং ষ্টাফনা মখোয়না শীজিন্নজবা ফেস মাস্কশিং শেম-শাজবা কয়া তৌরিবসিদা ঐখোয়দা চাওথোকচবা পোকই। অসুম্না হোৎনজদুনা মথৌদাংশিংসু পাঙথোকচরি। এটেন্দেন্টশিং অমসুং এম্বুলেন্স দ্রাইভরশিংনসু হৌজিক ফাওবদা পেসেন্ট অমত্তা থাদোক্লম্বা লৈত্রি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

হৌজিক চৎনরিবা অথিংবা অসি য়াম্না থুনা লৌথোক্লগনি হায়না থাজবা পীবগা লোয়ননা মহাক্না মীয়ামদা অথিংবশিং লৌথোক্ত্রিফাওবা মখা তানা য়ুমদগী হেন্দোক্তুনা লৈননবা আপিল তৌখি। শ্রীলঙ্কাগী হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিগী মীওই ১৮৬ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে। মখোয়গী মনুংদগী মীওই ৪২ লায়েংবদ ফদুনা দিচার্জ তৌখ্রে। দেজিগন্টেদ হোস্পিটালশিংদা অতৈ পেসেন্ট ১৩৮ লায়েংলি। হৌজিক ফাওবদা মীওই ৬ লাইচৎ অসিদা শিখ্রে।

## ‘ইন্দিয়াগী হান্না’ হায়বসিনা গভর্নমেন্টকী মোটো ওইগদবনি



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৮ (এজেন্সি) :
ইন্দিয়াগী রিটেল মেদিকেল দুকানশিংদা ষ্টোক লৈনদ্রবা হায়দ্রোক্সিক্লোরোক্বিন পীদ্রবদি লমন খুন্বগী খোঙথাং লৌখৎক্কনি হায়বা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ট্রম্পকী অকিবা পোকহনবা ৱাফমদা সেন্টরনা কোক নোনবগী থৌওং কোংগ্রেসনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

পার্টি অসিনা সেন্টরগী থৌওং অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী হান্না হায়বা ৱাখল্লোনগা লোয়ননা থাংলকপা গভর্নমেন্টকী খোঙথাং খুদিংমক শৌগৎক্কনি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

কোংগ্রেসকী স্পোক্সপর্সন পৱনখেরানা ব্রাজিলগী প্রসিদেন্টনা শীজিন্নরিবা নোল্লুকপা ৱাহৈশিং অমসুং য়ু এস প্রসিদেন্টনা শীজিন্নরিবা অকিবা পোকহনবা ৱাহৈশিংগী মরক্তা লৈরিবা খেৎনবদু খঙগদবনি হায়বা ৱাফম থম্বগা লোয়ননা হায়খি মদুদি, ইন্দিয়ানা অতৈ লৈবাকশিংদা মতেং পাংবগী ৱাখল্লোনদা থাজে। তৌইগুম্বসুং হীরম অসিদা ৱারেপ অমত্তা লৌদ্রিঙৈগী মমাংদা ইন্দিয়াগী হান্না হায়বসিনা গভর্নমেন্টকী মোটো ওইগদবনি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা মহাক্না ইন্দিরা গান্ধিনা বাংলাশেদকী নীংতম লান মনুংদা য়ু এসদা ইন্দিয়াগী অনিংবা-অপাম্বশিংনা অতৈ পুম্ন মক্তগী খ্বাইদগী হেন্না মরু ওই হায়না নাখৈ শেংনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম্না ইগজাম্পল অমা ওইবা য়াই হায়না ফোঙদোকখি।

ট্রম্পনা ইন্দিয়াদা হায়দ্রোক্সি-ক্লোরোক্বিন য়োনবদা থল্লিবা অথিংবা লৌথোক্নবা তকশিনবগা লোয়ননা মহাক্না হায়রিবসি য়াদ্রবদি লৈবাক অসিগী মায়োক্তা লমন খুম্বগী খোঙথাং কয়া লৌখৎকনি হায়না কিহনখি। ক্রাইসিসকী মতম অসিদা ট্রম্পনা অসুম্না লৈবাক অমদা কিহনবা অসি চুম্না হায়বসি খন্ননিংঙাই ওই। মহাক্কী প্রেসরদা ঐখোয় খুদক্তা চৎকদ্রা হায়বসি পুৱারীনা ঐখোয়বু শোয়দনা অচুম-অরান খঙহল্লক্কদবা ৱাফম্নি।

## ইন্দিয়াদা অনৌবা কোরোনাভাইরস কেস ৭৭৩ রেকোর্দ তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৮ (এজেন্সি) :
হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা ইন্দিয়াদা নোভেল কোরোনাভাইরসকী অনৌবা পোজিটিভ কেস ৭৭৩ রোকোর্দ তৌখিবগা লোয়ননা ভাইরস অসিনা মীওই ৩২ শিহনখ্রে হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়াগী অপুনবা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ কেস মশিং ৫,১৯৪ শুরে অমসুং অশিবা মশিংনা ১৪৯ য়ৌরে। হৌজিক ফাওবদা টেষ্ট লাখ ১.২১ পাঙথোকখ্রে হায়না পল্লদুনা মিনিষ্ট্রি অসিনা হায়খি মদুদি, লৈবাক অসিদা কোরোনাভাইরস লায়েংবদা কান্নবা মরু ওইবা সোল্ট অমনি হায়নরিবা হায়দ্রোক্সিক্লোরোক্বিনগী ষ্টোক মরাং কায়না লৈ।

য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রিগী জোইন্ট সেক্রেটরি লাভ অগরৱালনা হায়খি মদুদি, লৈবাকপোকপা নুমিত্তগী য়ুমশকৈশা ফাওবদা কোরোনাভাইরসকী কেস ৭৭৩ রেকোর্দ তৌখি। হায়রিবা মতম অসিদা ভাইরস অসিনা শিহনখিবা মী মশিং ৩২ নি। মীওই ৪০২ না লায়েংবদা ফদুনা হোস্পিটালশিংদগী দিচার্জ তৌখ্রে।

লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং লেপ্তুনা হেনগৎলকপগী ফিভম লৈরিবা অসিদা গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী রেস্পোন্স অমসুং লাইচৎ অসিবু থেংননবা শেম-শাবগী ফিভম কনশিল্লি। কোরোনাভাইরস থেংনবদা শরুক য়ারিবা ফ্রন্টলাইন ৱর্করশিংগী কেপাসিটি হেনগৎহন্নবা মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিসোর্সেসনা ফিল্ড-লেভেল ওরিয়েন্টেসন প্রোগ্রাম-কোভিদ মেনেজমেন্ট ট্রেনিং মোদ্যুল লোঞ্চ তৌরে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। মহাক্কী মতুং ইন্না মোদুল অদুদা দোক্তরশিং, পেরামেটিক্সশিং, নর্সশিং, এ এন এমশিং, ভোলন্টিয়রশিং অমসুং রেদ ক্রোস য়াওরি। হোটস্পোটশিংদা লোকদাওনগী থৌরাংশিং চেকশিন্না চৎনহল্লি হায়না হোম মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

## সর্জিকেল মাস্কতা চয়োল অমা হিংদুনা লৈবা ঙম্মী কোরোনাভাইরস, খুৎনা শোক্তনবা হোৎনবিয়ু



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৮ (এজেন্সি) :
মালেমগী লৈবাক ১৮৪দগী হেন্না পাকশন্না শন্দোরল্লিবা কোবিদ-১৯ অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা হৌজিকমক্কী ওইনা ফেস মাস্কনা অচৌবা মতেং অমা ওইরি। অদুবু য়ুনিভর্সিটি ওফ হোংকোংগী সাইন্টিসশিংগী অনৌবা রিছর্সকী রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না কোরোনাভাইরস সর্জিকেল মাস্কতা চয়োল অমা ফাওবা হিংদুনা লৈবা ঙম্মী হায়রি।

লেনসেট জর্নেলদা ফোঙখিবা রিছর্স অদুগী রিপোর্ট অদুনা মখা তানা হায় ভাইরস অসিনা লৈবা ঙম্বা চান্নবা মফমশিংদদি নুমীৎ কয়ামরুমসু হিংদুনা লৈবসু ঙম্মী। অইং-অশা খেন্না লৈবা কাগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা ভাইরস অসিনা হিংবা ঙম্বগী মতমসু খেৎনৈ। টিসু পেপর অমদি প্রিন্টিং পেপরশিংদা পুং অহুম, উ অমদি ফিরোলশিংদনা নোংমখক্তং হিংবা ঙম্মি। অদুবু গ্লাস অমসুং বেঙ্কনোট (শেল)দনা নুমীৎ মরীনি হিংবা ঙম্মী। অদুবু ষ্টিল অমসুং প্লাষ্টিক্তদি চয়োল অমা ফাওবা নপ্তুনা হিংবা ঙম্মী হায়নসু রিছর্স অদুগী রিপোর্টতা ময়েক শেংনা পল্লি।

রিছর্স তৌরিবা সাইন্টিষ্টশিংনা ফোঙদোরকপদা য়াম্না ঙক্লিংঙাই ওইবা মওংদা সর্জিকেল মাস্কতদি ভাইরস অসি নুমীৎ ৭গী মতুং ফাওবা হিংদুনা লৈবা থেংনখি। মরম অদুনা মাস্ক উপ্পবসু খুৎনা শোকপিগনু। করিগুম্বা খুৎনা মাস্ক শোকপা তারবসু খুৎ শেংনা হামদোক্লগা মাই, মীৎ, নাতোন অমদি হকচাংদা শোকপিয়ু। নত্রবদি কোরোনাভাইরস হকচাংদা চঙখিবা য়াই। লোয়ননা মপান্দগী পুশিল্লকপা চান-থক্নবা পোৎলমশিং পুমদুনা মাংলোইদবা পোৎশকশিং ওইরবদি নোংমা অহাংবা মফমদা থম্লবা মতুং চামথোক্লগা শীজিন্নবিয়ু। মদুনা ভাইরস অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি হায়নসু রিপোর্ট অদুদা মখা তানা হায়রি।

## নিজামুদ্দিন রেলৱে ষ্টেসনগী ইমপ্লোয়ী ১ পোজিটিভ ওইরম্লে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৮ (এজেন্সি) :
নিজামুদ্দিন ষ্টেসন্দা পোষ্টিং তাবা মশাগী চহী ৫৯ শুরবা ইন্দিয়ন রেলৱেজগী ইমপ্লোয়ী অমা কোরোনাভাইরসকী চাংয়েংদা পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখ্রে। মীওই অদু থবক্তগী পোত্থাগদবা থা খরখক্তা ঙাইরবনি হায়রি।

নোরদর্ন রেলৱেগী মতুং ইন্না মীওই অদু নোরদর্ন রেলৱেগী সেন্ট্রেল হোস্পিটালদা লায়েং চথরি। মহাক্না মফমদুদা লায়েংলিবদুনা মরম ওইদুনা হোস্পিটাল অসিগী দোক্তরশিং য়াওনা ইমপ্লোয়ী ১৫ কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন লৈরে হায়রি।

রেলৱেগী ইমপ্লোয়ী অসি অহানবা ওইনা হৌখিবা মার্চ ৩১ দা হোস্পিটাল অসিদা লাকখিবনি। তৌইগুম্বসুং মঙোন্দা কোরোনাভাইরসকী খুদম-চাংদমশিংদি য়াওবা থেংনখিদে। মদুগী মতুংদা মশাগী ফিভম শোকচিল্লকপদগী মহাক হোস্পিটাল অসিদা এপ্রিল ২ দা অমুক লাকখি।

নোরদর্ন রেলৱেগী পব্লিক রিলেসন ওফিসর দিপক কুমারনা ফোঙদোকখিবদা, এপ্রিল ২ দা মীওই অসি হোস্পিটালাইজ তৌখিবদা দোক্তরশিংনা মঙোন্দা এম আর আই, সী টি স্কেন লৌননবগী ৱাফম হৌদোকখি। এপ্রিল ৬ তা মহাক্কী রিপোর্ট লাকখিবা মতমদা মহাক কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরে হায়বসি খঙবা ঙমখি। মসিগা লোয়ননা পেসেন্ট অসি রাম মনোহর হোস্পিটালদা থাখ্রে হায়রি।

চৈরকসিদা, কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরবা রেলৱে ষ্টাফ অসিগা নকশিন্নখিবা নোরদর্ন রেলৱে হোস্পিটালগী ইমপ্লোয়ী ১৫মক তোঙান্না থমখ্রে। তোঙান্না থল্লিবা হোস্পিটালগী ষ্টাফ মেম্বরশিং অদুগী মনুংদা দোক্তরশিং অমসুং নর্সশিং য়াওরি।

কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন লৈরবা রেলৱে ষ্টাফ অদু নিজামুদ্দিন রেলৱে ষ্টেসনদা সুপরভাইজর অমা ওইনা থবক তৌবনা মহাক মী অমত্তগা হকথেংননা শম্নখিবা লৈতে হায়রি।